# বিজয় মাল্লয়াদা লোন পীফিবা বেঙ্ক ওফিসিয়েলশিংগী মথক্তা থুনমক মরাল শীরবা য়াই



করিগুম্বা লন্দন কোর্টনা মহাকপু ইন্দিয়াদা এক্সত্রাদিট তৌরক্নবদি য়ু কে দা হৌজিক মীচেন ওইদুনা লৈরিবা বিজয় মাল্লয়াবু থমগদৌরিবা মুম্বাই সেন্ত্রেল জেল

***ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৬ ঃ*** লিকর বেরোন বিজয় মাল্লয়াগী কিংফিসর এয়ারলাইন্সতা পীখিবা লোনশিংগী মরী লৈনবা থবক পায়খিবা সেনিয়ার বেঙ্ক ওফিসিয়েল কয়া থা অমগী মনুংদা থাঙ্গৎলবা য়ারিবা সি বি আই চার্জ সিট অমদা এক্যুজ ওইনা য়াওরবা য়ারি হায়না লীখুনশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

মতোমখক্তদা লুপা ক্রোর ১,৬০০ কী লোন পীখিবা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (এস বি আই) না লুচিংবা বেঙ্ক ১৭ কী কন্সোর্টিয়ম অমনা কিংফিসর এয়ারলাইন্সতা পীখিবা লুপা ক্রোর ৬,০০০ হেনবা লোনশিংগী মতাংদা লৌখৎপা কেসতা মসিনা অহানবা চার্জ সিটনি।

আই দি বি আই বেঙ্কনা পীখিবা, মসিগী সেনিয়ার ওফিসারশিং চেন্নবা লুপা ক্রোর ৯০০ গী লোনগা মরী লৈনবা তোঙানবা কেস অমদা মাল্লয়াগী মথক্তা হৌখিবা চহীদা সি বি আই না হান্ননা চার্জ সিট অমা থাঙ্গৎখ্রবনি।

সি বি আই না বিজয় মাল্লয়াগী মথক্তা আই দি বি আই লোনশিংগী মতাংদা ২০১৫ দা অদুগা ২০১৬ দা কন্সোর্টিয়ম লোনগা মরী লৈননা কেস অনী রেজিষ্টার তৌখিবনি।

ওফিসারশিং অদুগী মমিং পীয়ু য়াখিদবা লীখুনশিং অদুনা কন্সোর্টিয়ম ওফ বেঙ্কস অমনা পীখিবা লোনশিংদা অহানবা তাঙ্কক্কী থিজিনবা পুমলোই লোইরে অমসুং থিজিনবগী থবক লোইশিনবা নৎত্রগসু থা ১ গী মনুংদা চার্জ সিট অদু থাঙ্গৎলবা য়াই হায়রি।

ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী য়াওনা বেঙ্কশিং অদুগী থবক তৌরিবা অমসুং থবক্তগী পোত্থারবা সেনিয়ার ওফিসিয়েলশিংনা মখোয়গী ওপোজিসন পোজিসন লান্না শীজিন্নবগী মতাংদা সি বি আই না মতীক চাবা খুদম-চাংদম ফংখিবগা লোয়ননা মখোয়গী মমিংশিং অদু চার্জ সিট অদুদা এক্যুজ ওইনা হাপ্পবা য়াই হায়রি।

মাল্লয়া য়াওনা মতম অদুগী কিংফিসর এয়ারলাইন্সকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েল, এয়ারলাইন্স অদুগী সি এফ ও, এ রঘুনাথন অমসুং অতৈ হান্নগী সেনিয়র একজিক্যুটিভশিংসু কেস অসিদা এক্যুজ ওইনা য়াওরগনি।

সি বি আই না লৌখৎপা এফ আই আর দা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া অমসুং মসিগী কন্সোর্টিয়ম বেঙ্কশিংদা ২০০৫ তগী ২০১০ ফাওবগী মনুংদা কিংফিসর এয়ারলাইন্স লিমিটেদতা তোঙান তোঙানবা এদভান্স ক্রেদিট ফেসিলিটিশিং পীথোকখি হায়না মরাল শীখি।

কিংফিসর এয়ারলাইন্সনা বেঙ্কশিং অদুদা পীগদবা ৱাংলিবা শেনফমশিং অদু বিজয় মাল্লয়ানা অতম্বনা পীখিদবনি হায়না লীখুনশিং অদুনা হায়খি।

এস বি আই না এয়ারলাইন অদুদা তোনখিবা লুপা ক্রোর ১,৬০০ কী মনুংদগী বিজয় মাল্লয়াগী য়ু বি গ্রুপ কম্পেনিজগী সেয়ারশিং য়োল্লবা তুংদা লুপা ক্রোর ১,১০০ রোম খক লৌখৎপা ঙমহৌখি। এয়ারলাইন্স অদুদা লোন তোল্লিবা অতৈ বেঙ্কশিং অদুগী মনুংদা পঞ্জাব নেস্নেল বেঙ্ক (লুপা ক্রোর ৮০০), আই দি বি আই (লুপা ক্রোর ৮০০), বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (লুপা ক্রোর ৬৫০), বেঙ্ক ওফ বরোদা (লুপা ক্রোর ৫৫০), সেন্ত্রেল বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (লুপা ক্রোর ৪১০) নচিংবা য়াওরি।

# নোংলৈ-নুংশিৎ মাঙখুট মাকাও তন্না শিৎচিল্লকখিবগা অহানবা থৌদোক ওইনা কেসিনোশিং থিংজিনখ্রে



***হোং কোং, সেপ্টেম্বর ১৬ ঃ*** শাথিরবা নোংলৈ-নুংশিৎ তাইফূন মাঙখুটনা ঙসি নোংমাইজিং নুমিত্তা শিৎচিল্লকখিবগা মকাওগী ইতিহাসতা অহানবা ওইনা কেসিনো পূন্নমক থোঙ লোনশিনখ্রে। শাথিনা ঈচাও থোকপা য়াই হায়না ওথোরিটিজনা গেমব্লিং এনক্লেব অদুদা ৱার্নিং তৌখ্রে।

পাক চাওনা অমাঙ-অতা থোকহনখিবা অমসুং মীওই ১২ শিখিবা তাইফূন হাতো য়ৌশিল্লক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা সিটি অসিদা থৌরাং তৌনবগীদমক মকাও গভর্ণমেন্টকী মথক্তা হৌখিবা চহীদা মীয়ান্না কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবনি।

ঙরাং থাংজ নুমিৎকী অথেংবদা ওথোরিটিজনা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমদা মকাওগী কেসিনো ৪২ থিংজিন্নবগী ৱারেপ অদু সিটি লীদরনা অয়াবা পীরকখ্রে অমসুং গেমব্লিং বোসশিংনসু য়াখ্রে হায়রি।

গেমব্লিং ওপরেসনশিং লেপহনখিবা অদু কেসিনো ইমপ্লোয়িশিং, সিটি অসিদা লাক্লিবা ভিজিতরশিং অমসুং রেসিদেন্টশিংগী শাফনবগীদমকনি হায়না গভর্ণমেন্ট ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

সিটি অসিনা হৌজিক ফাওবগী মনুংদা অনীশুবা খ্বাইদগী ৱাংবা নোংলৈ-নুংশিৎকী ৱার্নিং পীরক্লদুনা কেসিনোগী মফমশিং মখা তাবা নোটিশ থোক্লক্ত্রিবা ফাওবা থোঙ লোনশিল্লগনি হায়না কেসিনো ষ্টাফনা পাউগী এজেন্সি এ এফ পি দা হায়খি।

ঙসি মফমদুগী মতমদা নুমিৎ য়ুংবা অদুৱাইদা খ্বাইদগী কন্না নোং চুরকপা য়াই অমসুং নুংশিৎ শিৎলকপা য়াই হায়বগা লোয়ননা ষ্টোর্ম ৱার্নিং অসি খ্বাইদগী ৱাংবা টি১০ লেভেলদা ৱাংখৎহল্লবা য়াই হায়না মকাওগী ৱেদর ব্যুরোনা হায়খি।

মহৌশানা মীনা কৃক-কৃক ইন্নবা সিটি ষ্ট্রিটশিং অদু হৌজিক পুংতাক তাকখ্রে। দুকানশিং অমসুং ললোন-ইতিকশিং পূন্নমক লৈঙোই বোরাশিংনা পন শাদুনা ঙাকথোক্লবা থৌরাং তৌদুনা থমখ্রে।

সেমি-ওতোনোমস ওইবা খা থংবা চাইনিজ সিটি- মকাওনা মমাঙ চহীগী তাইফূন হাতোনা নৈহৎলম্লবা মতূংদা পাক-শন্না শেংদোকপগী থবক্তা তেংবাঙহন্নবা এমক্লেব অসিদা থম্লিবা চিনাগী পিপলস লিবরেসন আর্মিগী ট্রুপশিংগী মফমদা চৎপা তাখি।

নোংলৈ নুংশিৎ অদুগী মতূংদা সিটি অদুগী ৱেদর চীফ অদু মফম থাদোকখি। মদুগী নোংলৈ-নুংশিৎ অদু চহী ৫০ হেনবগী মনুংদা মকাওদা শিৎলকখিবা খ্বাইদগী শাথিবা নুংশিৎ ওইখি। মাঙজৌননা মতীক চানা থৌরাং তৌহৌদবগীদমক গভর্ণমেন্টপু নমদুনা লাল্লে হায়জহনখিবনি।

তাইফূন মাঙখুটনা ফিলিপিন্সতা য়ামদ্রবদা মীওই ৪৯ হাৎলম্লবা তুংদা ঙসি নোংমাইজিং নুমিত্তা মেইনলেন্দ চিনাদা চৈফু পীরদ্রিঙৈগী মমাঙ হোং কোংদা থুংলখিবনি।

# ইন্দিয়া, ফ্রান্সনা মেরিতাইমস সর্ভিলেন্স সেটিলাইটস থৌরাং তৌরি



***বেঙ্গলুরু, সেপ্টেম্বর ১৬ ঃ*** ইন্দিয়া অমসুং ফ্রান্সনা মেরিতাইম সর্ভিলেন্সকীদমক সেটিলাইট ৮ দগী ১০ ফাওবা থৌরাং তৌখ্রে হায়না ফ্রেঞ্চ স্পেস এজেন্সি সি এন ই এস চীফ জিন-য়িভস লে গোলনা হায়খ্রে। মসি কনাগুম্বা অতোপ্পা লৈবাক অমগা তেংবাঙনবদা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী চাওবা স্পেস কোওপরেসননি হায়রি।

সেটিলাইট ৮ দগী ১০ ফাওবা স্পেসতা থাগৎকদৌরিবা অদু চিনানা হেন্না খোঙদাশল্লক্লিবা লমদম ওইরিবা ইন্দিয়ান ওসিনদা অহেনবা মীৎয়েং থমগনি। ফ্রান্সনা হীরমসিগী মতাংদা মখোয়গী হৈ-শিংবা অদু ইন্দিয়ান স্পেস এজেন্সিগী মরু ওইবা অচৌবা মিসন অনী মার্স অমসুং ভেনসতা থাগদবা ইন্টর-প্লানেতরি মিসনশিংগী মতাংদা ইশ্রোগা খঙমীন্নগনি হায়না সি এন ই এস চীফ না হায়খি।

সমুদ্রগী ঈশিং-লমগী এৱার্নেসকীদমক ঐখোয়না অনৌবা সেটিলাইটিশিংগী কন্সতেলেসনগী মতাংদা ৱারী শান্নবা হৌরে। মসি মখা তানা মতম চঙগনি। প্রোজেক্ট অদু সেটিলাইট ৮ দগী ১০ ফাওবগী মনুংদা ওইগনি হায়খি।

ইশ্রো অমসুং সি এন ই এস না কংফাল লম অমসুং সমুদ্রদা এসেটশিং মোনিটর তৌনবা অমসুং ঙাক্লবা ওতোমেটিক আইদেন্টিফিকেসন সিষ্টেম য়াওনা প্রদক অমসুং টেক্লিকশিং পূন্না রিজাইন তৌনবা অমসুং দিভলপ তৌনবা পূন্না থবক তৌগনি। মরু ওইনা নাকল অনীমক্লা সমুদ্রগী ঈশিং লমদমশিংদা কৃপ্পা য়েংশিন্নবগীদমক সেটিলাইটশিংগী কন্সতেলেসন অমা পুথোক্লবা ইষ্টদি চথগনি হায়না চহী অসিগী মার্চ থাদা ইন্দিয়া অমসুং ফ্রান্সনা হৌখিবা জোইন্ট ভিজন ফোর স্পেসকী ষ্টেটমেন্ট অদুদা হায়খি।

ভেনস অমসুং মার্সতা থানবা মিসনগীদমক ইন্দিয়া অমসুং ফ্রান্সকী কোলাবোরেসনগী মতাংদা খন্নবদা সি এন ই এস ইন্দিয়া লাইজন ওফিসকী মেনেজিং দাইরেক্তর মেথিয়ু ৱৈসনা মার্স প্লান্নেটকী মথক্তা নাসাগী ক্যুরিয়োসিতি রোভরগী মমিৎশিং অমসুং সাইন্টিফিক হার্ট অদু ঐখোয়না দিভলপ তৌখিবনি হায়না শন্দোক্লা ফোঙদোকখি।

ফেঞ্চ সান্টিফিক কম্যুনিটিশিং মালেমগী মনুংদা য়ান্না কনবা অমসুং খ্বাইদগী ফবশিংগী মনুংদা চল্লি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# নাবারদনা প্রোজেক্ট ৯৩ গী লুঃ ক্রোর ৬৫,৬৩৫ কী লোন অয়াবা পীখ্রে

***ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৬ ঃ*** গভর্ণমেন্টকী ফ্লেগসিপ স্কিম, প্রধান মন্ত্রি কৃষি সিঞ্চয় যোজনা (পি এম কে এস ৱাই) গী মখাদা অহেনবা মীৎয়েং থম্বা ইরিগেসন প্রোজেক্ট ৯৩ দা নেস্নেল বেঙ্ক ফোর এগ্রিকলচর এন্দ রুরেল দিভলপমেন্ট (নাবারদ) না হৌজিক ফাওবা লুপা ক্রোর ৬৫,৬৩৪.৯৩ গী লোন অয়াবা পীখ্রে হায়না মসিগী চিয়ার্মেন ঐচ কে ভনৱালানা হায়খ্রে।

কুমজা ২০১৯ ফাওবগী মনুংদা লোইশিনগদবা প্রোজেক্টশিং অসিদা নাবারদনা লুপা ক্রোর ৭০,০০০ গী লোন পীগদবনি। প্রোজেক্টশিং অসিগীদমক শেনগী শৌগৎপা পূন্নমক ফংহনগনি। খুমাঙ চাওশিনবা অমসুং মতম চানা লোইশিনবা হায়বসি ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংনা ফন্দশিং অসিগী মখোয়গী সিয়ার থাদোকপা লোয়ননা য়ুনিয়ন ৱাতর রিছোর্সেস মিনিষ্ট্রি থবক থৱায় য়াওশিনবগী মখা পোল্লি হায়না মহাক্না হায়খি।

হৌজিক ফাওবদা প্রোজেক্ট ১৮ লোইশিনখ্রে। প্রোজেক্ট ৭ না লোইশিল্লক্কদৌরে। প্রোজেক্টশিং অসি ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংগী খুত্থাংদা থবক ওইনা ওন্থোকপনি। প্রোজেক্ট কয়ামরুমগী সেন্টরগী সিয়ার ফংঙি। অদুবু ষ্টেটকী সিয়ার ফংবা মতম চঙই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

খ্বাইদগী য়াম্বা প্রোজেক্টশিং ফংলিবদি উত্তর প্রদেশতনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোক্লদুনা ইরিগেসন প্রোজেক্টশিং অদুগীদমক লুপা ক্রোর ৭,০০০ কী শেনফম বজেটতা হাপ্পগীদমক য়ু পি গভর্ণমেন্টপু মহাক্না থাগৎখি। মহরাষ্ট্র, টেলঙ্গনা অমসুং মধ্য প্রদেশতসু হেন্না চাওবা ইরিগেসন প্রোজেক্টশিং সেঙ্কসন তৌখ্রে হায়না মহাক্না হায়খি।

লৈবাক অদুগী মফম কয়াদা হৌজিক পন্দুনা লৈরিবা প্রোজেক্ট ৯৯ অসিনা মপূং ফানা লোইশিল্লক্লবা মতমদদি হেক্টর লাক্ষ ৮০ হেনবগী লমদা অনৌবা ঈথৈ-লৌখোঙগী খুদোংচাবশিং লৈহনবা ঙম্লগনি।

# ধাকা জেল মনুংদা খলেদা জিয়াগী হকচাংগী ফিভম ডাক্তরশিংগী মেদিকেল টিম অমনা য়েংশিনখ্রে



***ধাকা, সেপ্টেম্বর ১৬ ঃ*** হন্দক্তা কোর্টতা মখোঙ মখূৎতা শোকপা পনবনা চৎপা ফাওবা ঙমদ্রে হায়না ৱাকৎখিবী বাংলাদেশকী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং বাংলাদেশ নেস্নেলিষ্ট পার্টি (বি এন পি) গী লুচিংবী মকোক খালেদা জিয়াগী হকচাংগী ফিভম অদু ডাক্তরশিংগী মেদিকেল টিম অমনা মহাক্না লৈরিবা অরিবা ধাকা সেন্ত্রেল জেল মনুংদা চঙদুনা য়েংশিনখ্রে হায়না মেদিয়া রিপোর্ট অমনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

১৯ শুবা চহীচাদা বৃটিশনা শারম্বা জেল অদুগী মনুংদা শুপ্পগী মতোমদখক লৈরিবী অমসুং হকচাংগী ফিভম শোন্থরক্লিবী মশাগী চহী ৭৩ শুরবী খালেদা জিয়ানা হৌজিক হৌজিক জেল অদুগী মনুংদা মহাক্কীদমক অখন্ননা ওন্থোক্লবা কোর্ট রুম অমদা হৌজিক করপসনগী মরাল মায়োক্লরি।

ডাক্তর ৫ গী মেদিকেল টিম অদুনা ঙরাং থাংজগী পুং ৩.৪৫ রোম তাবদা জেল মনুংদা চঙখি অমসুং নুংথিল ৪.৩০ রোম তাবদা থোক্লকখি। মেদিকেল টিম অদুনা খালেদা জিয়াবু মিনিট ২০ দগী ৩০ ফাওবা একজামিন তৌখি হায়না ধাকা সেন্ত্রেল জেলগী জেল্লর মাহবুবুল ইস্লামনা হায়খি।

ডাক্তর টিম অদুনা কোন্না খালেদা জিয়াদা থাগদবা হিদাক্কী প্রেসক্রিপসন পীরক্কনি অমসুং তৌফম থোকপশিং অদু ওথোরিটিজনা মখা চৎথগনি হায়না জেল্লর অদুনা ফোঙদোকখি।

জেল ওথোরিটিজদগী চেরোল অমা ফংলবা তুংদা বঙ্গবন্ধু সৈখ মুজিব মেদিকেল য়ুনিভর্সিটি (বি এস এম এম য়ু) না শগোলশেন নুমিত্তা মেদিকেল বোর্দ অদু শেমখিবনি হায়না বি এস এম এম য়ু গী দাইরেক্তর ব্রিগেদিয়ার জেনরেল এম দি অব্দুল্লাহ-য়ল-খারুননা ফোঙদোকখ্রে হায়না রিপোর্ট অদুনা হায়রি।

হুইল চিয়ার অমদা কোর্ট হিয়ারিং অমা শরুক য়াখিবী হান্ননা চহী ৫ গী জেলগী চৈরাক অমা ফংদুনা লৈরিবী খলেদা জিয়ানা মহাক মশা য়ান্না ঙমদ্রে অমসুং মখোঙ মখূৎতা শোকপা পনবদা ফাওদ্রে হায়না কোর্টতা হায়খি।

করপসনগী কনভিক্ট পীরবা তুংদা চহী অসিগী ফেব্রুৱারী থাদা জিয়াবু চহী ৫ গী জেলগী চৈরাক পীখিবনি। চৈরাক অদুনা বাংলাদেশতা মহাক্কী পার্টি বি এন পি গী শৌগৎপা মীওই লীশিং কয়াগা পুলিসকগী মরক্তা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক থোকহনখিবনি।

মে থাদা মহাকপু করপসন কেস অমদগী বেল পীখি। অদুবু অতোপ্পা মরাল কয়া মায়োক্লরিবনা মহাক জেল মনুংদা লৈবা তাখিবনি। দিসেম্বর থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা জেনরেল ইলেক্সন্দা মীরেপ ওইনা লেপ্পদগী মহাকপু অথিংবা থম্লিবা ৱায়েল অদুগী মায়োক্তা জিয়ানা আপিল তৌগদৌরি।

# সাউদি আরাবিয়ানা ফারবা তায়কূনগী রিয়েল ষ্টেট এসেটস নিলাম তৌদুনা য়োন্থোক্লগনি



***রিয়াধ, সেপ্টেম্বর ১৬ ঃ*** হৌজিক ফাদুনা থম্লবা, শেন্দোননা য়োন্নবা বিল্লিওনর মান অল-সানিয়া অমসুং মহাক্কী কম্পনিনা মপূ ওইবা রিয়েল ইষ্টেট এসেটস সাউদি আরাবিয়ানা নিলাম তৌদুনা মথং থাদগী য়োন্থোকপা হৌরগনি মদু ক্রেদিতরশিংদা তোল্লিবা শেনফমশিং পীবদা মতেং পাঙনবনি হায়না হীরম অসি খঙবা লীখুনশিংনা পাউগী এজেন্সিদা ফোঙদোকখ্রে।

ফোর্বসনা কুমজা ২০০৭ দা মালেমগী খ্বাইদগী ইনাকখূনবা মীওই ১০০ গী মনুংদা চনখিবা সানিয়াবু মহাক্কী কম্পনি সাদ গ্রুপনা তোন্দুনা লৈবা শেনফমশিং ২০০৯ দগী শিংগৎতবগী হৌখিবা চহীদা ফাদুনা থমখিবনি।

মহাক্কী কেস অসি রিয়াদগী রিটজ কার্লতোন হোটেলদা হৌখিবা চহীদা করপসনগী মরালশিংদা ফাখিবা সাউদি ব্যুজিনেসমেনশিং অমসুং শক্লাইরবা মীওইশিং কয়া অদুদগী তোঙানবা অমনি।

সাউদি আরাবিয়াগী মতম খ্বাইদগী চঙনা চখবা দেবট দিসপুট অমা ওইরিবা অসিদা লৈবাক অসিগী ইষ্টর্ন প্রোভিন্সতা লৈবা সাদ গ্রুপতা তোনবা শেনফম শিংহন্নবগীদমক হৌখিবা চহী ৯ লেনখ্রবনি।

সাদ গ্রুপকী শেন্দোন য়েৎনবা অদু তং-তানা লোইশিন্নবা জজ অহুমগী ট্রিবুনেল অমনা হৌখিবা চহীদা হাপখিবা কন্সোর্টিয়ম এতকান এলায়েন্সনা নোংপোক থংবা প্রোভিন্স রিয়াধ অমসুং জেদ্দাহদা নিলামশিং তৌদুনা থা ৫ গী মনুংদা এসেটশিং অদু য়োনগনি হায়রি।

অহানবগী নিলাম অদু নোংপোক থংবা প্রোভিন্সকী খোবার অমসুং দম্মামদা শেমগৎত্রিবা কম্মর্সিয়েল লেন্দা প্লোটশিং, ফার্ম অমা অমসুং ইনকম লাকপা রেসিদেন্সিয়েল বিল্ডিংশিং ওক্টোবর থা অসিগী অথেংবদা পাঙথোক্কনি। মসিদগী রিয়াল বিল্লিয়ন ১ দগী ২ ফাওবা (দোল্লর মিল্লিয়ন ২৬৭ দগী ৫৩৩) ফংগনি হায়না পান্নরি।

মার্চ থাদসু ট্রকশিং, বসশিং, দিপ্পরশিং, ফোর্কলিফ্ট ট্রকশিং অমসুং গাল্ফ কারশিং য়াওনা সাদ গ্রুপকী গারী ৯০০ রোম অহানবা তাঙ্কক্কী নিলামদা য়োনখ্রে। মদুদা রিয়াল মিল্লিয়ন ১২৫ রোম ফংখি। শেনফম অদুনা খূৎশুমন পীবিরমদ্রবা শিন্মীশিং য়াওনা ক্রেদিতর খরদা পীগনি।

# অরুনাচল প্রদেশকী ঈচাওদা শিবা মীওই ৫ শুখ্রে



***ইতানগর, সেপ্টেম্বর ১৬ ঃ*** অশিবা হকচাং অমগা অমুক ফংখিবগা লোয়ননা অরুনাচল প্রদেশকী ঈচাও অমসুং লৈবাক নীংখাইবশিংদা শিবগী মশীং ৫ শুখ্রে। অদুবু হৌজিকসু নুপীমচা ১ থিবা খঙদনা লৈরি হায়না ঙসি ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ইরাই নুমিত্তগী হৌনা থিবা খঙদনা লৈরকখিবা মশাগী ৩২ শুরবা মোদিরিজোগী মেরি বেয়োংগী হকচাং অদু বান্দেদেৱা পুলিস অমসুং এন দি আর এফ টিমনা দিক্রোঙ্গন তুরেলদগী থাংজগী নুমিদাংদা লৌখৎখিবনি। হকচাং অদু অসামগী লক্ষিপুর দিষ্ট্রিক্টকী নম্বর ২ পিথাগুরি ভিলেজ মনাক নেপালি গাওদগী ফংখিবনি হায়না ইতানগরগী দিপুটি কম্মিস্নর প্রিন্স ধৱননা হায়খি।

অদুম ওইনমক পোংপি বেওং কৌবী মশাগী চহী ১০ শুরবী নুপীমচা অমদি মহাকপু থিবা-হুম্বা অমসুং কনবগী খূৎপুশিংনা ফনয়ান্না থিদুনসু হৌজিক ফাওবা ফংবা ঙমদ্রি।

হৌখিবা নুমিৎ খরনিদা লমদম অসিদা লেপ্তুনা নোং চুথরকপদগী খুদক্তা ঈশিং ঈচাও অমসুং লৈবাক নীংখাইবশিং থোকখি। ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্তা ষ্টেট অসিগী কোনুং ইতানগরগী মফম কয়ামুক্তা লৈবা য়ুম ২৬ ঈশিংনা চেন্থখ্রে।

মোদিরিজো, দোনয়ি পোলো এরিয়া, চন্দ্র নাগর, লোবি, জি এস এস পুলিস কোলোনি, প্রেস কোলোনিনচিংবা ঈশিং ঈচাওনা শোকহল্লবা মফমশিংদা য়ুম ৬০ হেন্না মপূং ফানা নৎত্রগা মচেৎ ওইনা শোকখ্রে। মোদিরিজো তন্না চৎফম ওইরিবা লম্বী অদু মপূং ফানা চেন্থখ্রে। অদুগা দোনয়ি পোলো এরিয়াদা লৈবা কলভর্ট তম্খাই অমরোম হেন্না কায়খ্রে।

ময়ূমশিং পূন্না চেন্থখ্রবা নৎত্রগা শোকখ্রবা অৱাবা তারবা মীওইশিংদা ইতানগর এম এল এ টেচি কাসো অমসুং দিপ্যুটি কম্মিস্নারনা ফিরোলশিং, কোল-লিক অমসুং চানবা পোৎলমশিংগুম্বা তেংবাঙগী পোৎচাকশিং য়েন্থোকখ্রে।

তেংবাঙগী থবক অদুদা অনা-লায়েংগী খূৎপু অমসু শরুক য়াখি অমসুং মোদিরিজো অমসুং দোনয়ি পোলো এরিয়াদা শোক্লবা মীওই পূন্নমক্কী হকচাং য়েংশিনখি অমসুং খুদক্কী ওইবা অহানবা লায়েংবীখি।

মেদিকেলগী ওইবা খুদক্কী অথুবা থবকশিংগীদমক মোবাইল এম্বুলেন্সসু থৌরাং তৌদুনা থমখ্রে হায়না দি সি না হায়খি।

# নর্সতা মখূৎ শাংলকপগীদমক নর্স ময়ান্না ডাক্তর ফুখ্রে

***পাতনা, সেপ্টেম্বর ১৬ ঃ*** বিহারগী কাতিহারদা লৈবা হোস্পিটাল অমদা ডাক্তর অমনা ত্রেনিং নর্স অমদা খূৎ শাংলুই হায়বগীদমক নর্স ময়াম য়োমশিন্দুনা ডাক্তর অদুবু ফুবদগী ঙসি অঙকপা কূম্মৈ অমা ওইখ্রে।

সোসিয়েল মেদিয়াদা মথং-মথং থাগৎনরকখ্রবা থৌদোক অদুগী ভিডিও অমদা হোস্পিটাল অদুগী নর্সশিং অদুনা মরাল লৈ হায়রিবা ডাক্তর অদুবু চম্পলশিংনা থাদুনা ফুবা অমসুং হাৎলো, হাৎলো হায়না লাওবা উৎখি।

ডাক্তর অদুগী মথক্তা থিজিনবগী থবক অমা চথনবা তকশিল্লদুনা কোন্না নর্সশিং অদুনা হোস্পিটাল প্রিমাইজেজ মনুংদা খোল্লাওশিং লাওখি।

নর্সশিং অদুনা অহানবদা হোস্পিটাল অদুগী সিভিল সার্জন অদুগী মথক্তা ৱাকৎ অমা থাঙ্গৎখি। মদুগী মতূংদা ডাক্তর অদু কৌশিনখি। ডাক্তর অদুবু ৱাহং পাউহং চথরিঙৈদা উংখৎপা হেনগৎলকখি অমসুং মহাকপু মখোয়দা খূৎশিন্নৌ হায়না শাওরবা নর্সশিং অদুনা হোস্পিটাল ওথোরিটিজদা দিমান্দ তৌখি। অদুবু মদু য়ারকখিদবদগী মখোয়না ডাক্তর অদুনা লৈরিবা কেবিন অদুদা নমফুদা চঙশিনখি অমসুং মহাকপু ফুবা হৌখি হায়রি।

লেন্না Horoscope য়েংজরি

হৌখিবা চহী কয়াদগী চথরকপগুম হন্দক চহীগী ওইনা সেপ্টেম্বর ১ দগী দিসেম্বর ১ ফাওবা লৈখিদ্রবা ইপা ইপুশিংদা কৎচবা ওইনা Dinamani Astrological Centre না হৌদোকখিবগী ২৩ রক শুবা কুমওনগী থৌরম ওইনা মফম অসিদা Horoscope অমুক্তা য়েংখিদ্রিবশিংগী হীরম অমা লেন্না য়েংবা হৌজরে থৱায় য়াওবিবশিংনা খুদোংচাবা অসি লৌবীয়ু।

অয়ূক্কী লিক্লা অপোক্লোম্বা
Koirou Thongju Part-II
#+919191733333
SL/3968/20 Days

## GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking : 10/07/18
Valid : 27/06/18
Stk : 918
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Canchi Gas**
Booking : 11/07/18
Valid : 09/07/18
Stk : 612/5kg Available
Rate : 938
Time : 08.00 to 10.30 a.m

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 27/07/18
Valid : 27/07/18
Stk : 306
Sl. No. 5651 to 5950
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**J. Rongmei Gas, Wangoi**
Booking : 04/07/18
Valid : 03/07/18
Stk : 306
Time : 06.30 to 09.30 a.m

**Misao Gas**
Booking : 10/07/18
Valid : 27/06/18
Stk : 918
Time : 07.30 to 10.00 a.m
Delivery on 18/09/18

**সনা-সুদোকু -১২৯৩ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 3 | 7 | 6 | 2 | 4 | 9 | 1 | 5 |
| 9 | 1 | 5 | 7 | 8 | 3 | 2 | 4 | 6 |
| 2 | 6 | 4 | 1 | 5 | 9 | 7 | 3 | 8 |
| 4 | 2 | 6 | 9 | 7 | 5 | 3 | 8 | 1 |
| 5 | 7 | 1 | 8 | 3 | 6 | 4 | 9 | 2 |
| 3 | 9 | 8 | 4 | 1 | 2 | 6 | 5 | 7 |
| 6 | 8 | 2 | 3 | 9 | 1 | 5 | 7 | 4 |
| 7 | 4 | 9 | 5 | 6 | 8 | 1 | 2 | 3 |
| 1 | 5 | 3 | 2 | 4 | 7 | 8 | 6 | 9 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1294**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | | | | |
| | | | | 2 | | 5 | | |
| 9 | 8 | | 4 | | 7 | | | 6 |
| | | 2 | 5 | 4 | 1 | 6 | | |
| | 4 | | | | | 9 | 1 | |
| | | | 9 | | 8 | | 5 | |
| 4 | | | | | | | | 9 |
| | | | | 6 | | | | |
| 7 | | 3 | | 5 | 9 | 1 | | |